# ৱারীমচা

## ঐখোয় কনা কনানো

**ৱাহেংবম রোমেন মীতৈ**

থোইস্নানা হন্দক মরক মাগী পুন্সি খোঙচত্তা খঙহোং হোংখ্রিবসি মানা কোলেজ হেক কাবা মতুং থা অমা অনীসিদনি। নুংঙাই য়াইফবা ইমুংগী মচা ওইনা খরা কেথোক মৌথোক্লা য়োক্লকপনা লৈশাবী ফারবা ফাওবদা অঙাং মচাগুম টি ভি য়েংবা, অপাম্বা অচাপোৎ মনীংতম্না চাজবা, তমজরিবা মহৈদা হোৎনজবা নত্তনা ইঙাও ঙাওনা লৈরম্বনি। মফিজেৎসু মীরমগী সলৱার খোঙ্গ্রাও অতেনবা অচোনবা ফুরিৎ অচোনবী। শেত্তবা য়াদবগী স্কুলগী ফিজেৎ ওইনা ফনেক অদুম শেৎচরবসু মতম অয়াম্বদা মীরমগী ফিজেৎসিতনি মানা পামজরিবা, অদুবু হন্দক থা খরসিতদি শাথিনা হোংখ্রে। চপ চানা মীতৈ নুপী অমগী লমচৎ শাজৎ ৱাঙাং-শঙাংদুমক্লি মানা তৌরক্লিবসে। হান্নদি ময়াদা চাবা কোন ফাওবা ফেংবদি লায়রদনা চায়রিদুফাও লোইশিল্লমদবনি, পূম্নমক য়ুমগী থবক শুবা মী থমদুনা তৌহল্লিবনি। হৌজিক্তি মী অমুক ঙাইনদ্রে। মশাগী থবক মশানা তৌফম থোকপা খরদি অদুম তৌরে কোন-ফেংবা, ফিশু-ফিজাম, ৱাইশিৎ-লমশিৎপা মশানা তৌজরে। মখা থাবা মচিন-মনাওশিংদসু ৱারক-ৱাতেম তৌদুনা তৌগদবা তৌরোইদবা ফজনা তাকপীরে। অয়াম্বা মতমদা মহৈদা পূক্লীং ৱাখল চঙখ্রে। মাগী হোংলক্লিবা মওংসিদা মপূক্লীং নুংঙাইজরবসু করিগীনো হায়বা অমদি তপ্পা খন্নখি।

হন্দক মচানুপীনা মীওইবগী চৎনরোল অমদা খঙহোং হোংলকপসি মপাগা মমাগসু ৱা তানৈ।

– ইবেম্মনা অসুম্না হোংলক্লিসি য়াম ফৈ অদুবু চেকশিন্না থিগৎলু। হৌজিক্কা য়ুম-কৈ পানবগী লম্বীদা চৎহনখিবদি য়াবা নত্তে।

মমানসু, মহৌশা তিন্নরম্বা, কোলেজদা নৌনা তিন্নরকপা মচানুপীগী মরুপ মপাংশিংদা হংদুনা মচানুপীগী হোংলক্লিবা মওংসি খঙনবা হোৎনৈ। কুপ্পা থিগৎলুবদা খঙলকই মখোয়গী কোলেজদা তম্বা ফাইনেল ইয়ারগী নুপামচা অমগা নুংশিনরে। মখোয় অনী অয়াম্বা মতমদা পুল্লি, নুপামচাদু লাইরিক ফৈ, মশক ফজৈ। মাগা নক্লা-তিন্নরুবদগী থোইস্নাগী পুন্সি মহিং হোংলকই। কনানা করিনো ময়েক শেংনা খঙনবা হোৎনৈ। অহানবদি ইকায়দুনা ৱা লোৎলম্মী। মমানা য়ানিংবা অপাম্বা উৎলুবদগী ৱারী শাদোক্লকই।

– নুপামচাদুবু করি লমদগীনো, য়ূমলৈ-কৈরৈদি কমদৌই?

– খোয়াথোংদগীনি, য়াম্না ইনাক খুনবা ইমুংনি। থাঙ্গাল কৈথেলদসু দুকান প্লোট লৈ হায়।

– ইবেম্মা কুপ্না থিদোকউ। নুংশিনরিনি হায়দুনা খঙলম খঙফাত্রিঙৈ থম্মোয় লাম্হোকপা য়াদে মীশিংসে য়াম্না ফৎত্রবনি। ইচাগী শক-চু, লন-থুম মীহৌদুনা শাশিন্নবা ওইরল্লদি কমদৌনি।

– হুম ঐ খঙই ইমা অদুগুম্বদি নত্তে।

– হায়গনু, অদুম্না লায়থোক্লা লৌগনু। ঐখোয় নুপী ওইবীশিংগী পুন্সি খোঙথাং অমত্তং শোয়খিবদা লৈখা তাগদৌবনি।

মমাগী ৱাঙাং লোইফাৎত্রিঙৈ থোইস্নানা খুল্লকই,

– অদুবুদি ইমা মানসু তত্তনা হায়, ঐখোয় নুপী ওইবীশিংসে য়াম চেকশিনগদবনি। পুন্সিগী লোনচৎ, খুন্নাইগী চৎনরোল, অফ-ফত্ত ইশাগী ইথৌ খুদিংমক চেকশিনগদবনি।

– অদো ইবেম্মা, ফন-ফবা মী ওইদুনসু চেন-চোংবা তৌখিনু। কুইনা তোৎ-তিন্নদুনা মশক মুন্না খঙদোকখো।

– হোয় ইমা, ঐসু খঙই মানসু য়াদে তহা-তহা তৌগুমসি। মশাগী ফিরেপ অমা লৈজরি অৱাংবা থাক্কী মহৈ মপূং ফানা তল্লগা মপানা পামজরম্বগী মতুং ইন্না মতীক চাবা ওজা ওইদুনা হৌরক্লিবা মীরোলদা তাকপী তম্বীবা পাম্মী হায়।

– মপাদি লৈখিদ্রবরা হায়রিসিবো?

– মমা-মপা অনীমক লৈখিদরে। মপু-মবেন্না য়োকপনি।

পাউসিনা মমাগী ৱাখলদা খজিক চিংনৈ, পেনখিদে মচানুপীগী মতৌ য়েংদুনা ফোঙদোকখিদ্রে।

মচাবু শেন্ন-শেন্ননা থা খরা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদি ফৎচল্লক্তবগী মমি উদে। ইনখৎলকপগী পাখঙ লৈশাবী ওইদুনসু তোয়না চৎমিন্নবা, ফোনদা ৱারী শাবা থেংনদে। মচাগী অফবরোমদা হোংলকপসিনা মমা-মচাই মরক্তা অফ-ফত্ত তানবসু হেনগৎলকই।

নোংমখক মচানুপীনা হৌদোক্লকই,

– ইমা মহাক ঐখোয়দা লাকউ, পাবুংগা ইমাগা শক খঙনৌ হায়খ্রে। লাক্লিবা তাং ১০ সিদা শোয়দনা লাক্কে হায়রকই।

– করিগীনো তাং ১০ ঙাইরিবদি।

– তাং ১০ দা মাগী চাংয়েং অমা লৈ। মদু লোয়রগা লাক্লবা, মরকসিদা ঐখোয় পাউ ফাওনররোই।

– ফরেনে, উন্নবা তারেদনা।

– অদো ইমা, পাবুংদা হায়বীয়ু ফনা য়ানিংদ্রবসু মীৎমাঙদদি উখোকপীনু, হরাউ-হরাউ তৌবীয়ুকো।

– হোয়দা হোয়দা ঐনা ফনবা শিনগে। অদো মাবু ঐখোয় য়ূম্বু খঙব্রো?

– হোয় খঙঙী নখোয়না নোংমা কোলেজদগী লৌবা লাকপা নুমিত্তুদা ঐনা নবানিবু মশক তাক্কুনা খঙহনখ্রে। নুমিত্তুদা ঐখোয়গী তুংদা গাড়ী মচা তোংদুনা ইন্নরকপদা য়ূমসু খঙখ্রে। ইমাগী ফোটো অমত্তা পীয়ু হায়বদগী পীথোকখ্রে।

– ইস নোইদি লোন্না লোন্না য়াম তৌনরিজাৎনি ইকায়রমাল্লে থোইস্না নোক্কুনা চেনশিনখ্রে।

নুমিত্তুদগী থোইস্নানা খূৎ থেক্কুনা ঙাইজরকপা তাং ১০ দো ঙসিনি। নুংথিলগী পূং অনী তারফাও লাক্ত্রি। ইখৌলাংবদি অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। মমানা চঙলক্কুনা হংলৈ।

– লাক্লরোইদ্রা পাউ অমত্তা ফাওনদ্রবরো।

– ঙসাই অয়ূক ঐনা মাগী চাংয়েংদুগী য়াইফ ৱারোল ৱাচেপতা থাখিবনি। মানসু তরাম্না ওক্কুনা থাগৎপা ফোঙদোক্লকখি। অদুগী মতুংদগী ফোন ওফ তৌখ্রে।

– ফোন অমুক তৌরগা য়েংউদনা।

– এ এ ফোন হাংলম্লে ইমা মাগী পাউ লাকই অমুক্তা য়েংগে।

– য়েংউ য়েংউ করি হায়রক্লিবনো?

ফনা শাংনা ইরকই। থোইস্না লেপ্লম্বদগী ফমথরগা পাথৈ।

'ঐনা খ্বায়দগী নুংশিজবী মতম চুপ্পদা থৱায়মক্লি খঞ্জরিবী নঙবু ঐনা নুংশিনা কৌজদুনা লাকখিবনি 'ঐগী থোই'। ঙসিদি মিঙ্গৌসে হোংলগে। নঙবু নুংশিবদি হান্নদগী হেল্লক্লে, পামুজরক্লে। নঙগীদমক শিবা ফাওবা ঙল্লগনি হৌজিক্তি। নঙবু কৌরগে 'ইচল থোই'। ইরেমখাক্কী ইচল নঙনসু ঐবু নবুং অমনি খল্লো। মবুং অমগা মচল অমগগী মরক্তা লৈনরিবা মরীদু শাগৎতুনা মদুগী নুংঙাইবদু পূম্নমক্কী অপেনবা ওইরসনু। ইচল থোই! তাচৌ ননাক্তা নোংমা শোয়দনা লাক্কনি ঙসিমক্তি ইপুগা ইবেনগনা য়াদরে, চৎনবীনা থিংলে। খুন্নাইসিনা লম্বী থৎলরে, ৱারৌগনুকো। শক খঙনিংবা ঙাইরিবী ইমাবু ঐনা খুরুমজরি।'

ঐগী হৌরকফমদি ককচিংদগীনি। থিংনাম কৃষ্ণচন্দ্রগী মচানুপা লৈখিদ্রবা গৌরদাসকী অমত্তা পোকচবা মচানুপাদুনি। ইপাগী থৱায়গী মনিনি, ইমানদি মীরাইবীরল্লবনি। হৌজিক্তি ইমানা শক তাকচরসনু ঐখোয় অনী কনানা কনানো...?

# তাবুনুংদগী

মতম ঈশৈগী শক্লাইরবা লূপ রূপ রাগ ওগষ্ট ১৫, ১৯৬০ দা য়াইস্কুলদা লৈবা অয়েকপম লক্ষ্মনগী শঙ্গোয়দা লিংখৎখি। লূপ অসিনা মতম ঈশৈবু তোপ তোপ্পা মতীক-ময়াই লৈবা, মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা মণিপুরগী ঈশৈ মখল অমা ওইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি। লূপ অসিনা অঙনবা মতমদা শকখিবা ঈশৈ কয়া ঙসি ফাওবা ইনৌত-নৌদুনা লৈরি। রূপ রাগনা শকখিবা ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা পাম্না শক্লরিবা ঈশৈ অমদি ইমা লৈবাকপু শোথাবা ''সনা লৈবা মণিপুর-মণিপুর'' নি। বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা শৈরেংবা অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা শৈবানবা ঈশৈ অসিগী ময়েক ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

### সনা লৈবাক মণিপুর-মণিপুর

সনা লৈবাক মণিপুর-মণিপুর
কোলোয় নঙগী মণিপুর,
লাইজনুংগী মণি নারক্কী লৈরাং
পীক্তক্লা মঙাল চাউবীনি।

ঈনুংবুংদগী হৌরকপী
চীংলোন্না পল্লোন খারিবী
শঙলেন ফিজোল শেৎপী, চানবী হৈবী
চীক্লা লেম্না ঙাম্হোইরিবী।

খৈন-য়াংকোক মওংনি
শুক্ষৎয়াই ওইবী শক্তমনি,
কোরৌগী অহানবা খোঙদাফম ওইরিবী
নচা নাউয়োক-নাউকোন হৈবী
খোয়রুম- মোমোন মীনোক লৈতেংবী।

সনানা ঈথক হৌবা লম
লুপানা কোঙ্গোন থিনবা লম,
শংবান অতিয়ানা ফিজং ওইবী'
মণিগুম মঙাল নাইবীনি।

*শৈরেংবা ঃ বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা*
*শৈশকপা ঃ রূপরাগ*

# মণিপুরী পাহ্থৈ-পাউরৌ, পাউতাক

* **কোক বেরা লৈবা মী।**
– ৱাখল খনবা ঙমদবা অঙাও-অফৈগুম্বা মী।

* **কোক পায়দুনা খাঙবা।**
– য়াম্না ৱাবগী মতৌ।

* **কোক শংবাইমুক চাউবা।**
– ৱাখল নুংঙাইতবা, পূক্লীং ৱাবা।

* **কোকল মপাল মহয় য়াল্লবদি কুম লোইরে।**
– কুম লোইরে তাকপগী খুদম।

* **কোক্তা খূৎ হাপ্পা।**
– অৱাবা মৈচাক খাঙবা।

* **কোক তাঙবনা শমজেৎ হাৎপা।**
– তৌরোইদবা থবক তৌবা।

* **কোকথোং নাদুনা পুবা।**
– মকোক্তা লোয়নমক থাঙ্গৎতুনা পুবা।
– পূম্নমক্কী অৱা-অনা পুবা।

* **কোক লুজবদা চেঙহি মনম নুংশিহল্লু, উতিনা শমখোঙ শেংলগা তোক্কনু।**
– থবক তৌবদা মচু তানবা হোৎনৌ, শমজীনগনু।

* **কোক কায়রগা থৌ তৌদুনা ফগদবা নত্তে।**
– ওন্না তৈননা তৌবা থবক কান্নফম খঙলোই।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

# চানক্য নীতি

– লৈগী মনমদি লৈবাক্লা চুপশিল্লি অদুবু লৈবাক্কী মনমদি লৈনা লৌদে, মতৌ অদুগুম্না ফত্তবা মীনা সাধু সঙ্গ তৌবদগী সাধু ওইখিবা য়াই অদুগা সাধুনা ফত্তবশিংগা তিন্নরবসু ফত্তবা খক ওইদে।

– সাধু উজবদি য়াইফবনি মরমদি সাধু মশামক তীর্থশিংনা তিল্লবনি। তীর্থনা পীবা মহৈদি অকক্লবা পূংফমদনি অদুগা সাধুনা পীবা মহৈদি খুদক্তনি।

– 'হে ব্রাহ্মণ, সহরসিদা কনানা চাউবনো?' 'উপাননা মচাউরে'। 'কনানা দান তৌবনো?' ' ধোবিনা তৌই, অয়ূক্তা লৌখি, নুমিদাংৱাইদা হন্দুনা পীরে।' 'কনানা হৈ-শিংবনো?' 'অতোপ্পগী নুপীগা মরনগা লোন্না লৌবদি মীপূম খুদিংমক হৈ-শিংই।' 'সহরসিদা অদোমদি কমদৌনা লৈরিবা?' 'হে মরুপ, হুদা পোক্লবা তীন অমনা অমোৎপা মফমদা লৈবগুম্না লৈজরি।'

– ব্রাহ্মণগী মখোঙ চামথোক্ত্রবা, বেদ-শাস্ত্র থীবগী মখোল তাদ্রবা, স্বাহা অমদি স্বাধা হায়বা ৱাহৈশিংসি তাদ্রবা য়ূম অদুদি মোঙফমগা মান্নরবনি।

– অচুম্বনা ইমানি, লৌশিংনা ইপানি, ধর্ম্মনা ইয়াম্বনি, থৌজালনা মরুপনি, শান্তিনা ঐগী নুপীনি অদুগা ঙাকপী হৈবনা ইচানি- তরুক অসিনা ঐগী মরী-মতানি।

– হকচাংদি মাঙনাইবনি, লন-থুম্না মফম অমদা তুংদুনা লৈতে। অশিবনা ইনাক্তা ঙাইরি, ধর্ম্মগী থবক তৌরো।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

# মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

১৯৪. ৱারক্কী থোইবী অভাউবী শক্লীংবদা শকপী ঙাংনিংবদা ঙাংবী-

১৯৫. নুপা অমনা লম্বীদা থেংনবা মী অনীখক্তা হংই- নখোয় অনী কর মরী থোক্লে- অনীদুগী মনুংদগী অমনা খুম্মী- 'মাগী মকুবোক্কী মচা নিংঙোলগী মনেমবোক্কী মচানুপানি' করি করিনো?

১৯৬. নুপা অমনা লম্বীদা থেংনবা মী অনীখক্তা হংই- নখোয় অনী করি করি থোকনৈ অনীদুগী মনুংদগী অমনা খুম্মী 'মাগী মমানা ঐগী মমাদা মমা কৌই অদু ওইরবদি করি করিনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (১৪-০৭-২০১৯)গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

১৯০. থা ১২, নুমিৎ ৩৬৫, চয়োল অমগী নুমিৎ ৭।

১৯১. লুহোংবদা দোলাইদা (মী ৪ না পুবা) মৌ থিনবা অমসুং মৌনা মপাম কুল্লকপা।

১৯২. ঈশিং শোকপা চৎলিঙৈদা নোং তারকপা।

১৯৩. মৈনো লৈরক।

# চয়োলসিগী ফাগী

**ননাদুসু য়াইদা!!**

লুহোংলকখিবা নৌরিবী মৌদুনা চাকখুমদা চাক থোংলি, য়াম্নসু অহল ওইনদ্রিবা মকুবোক্কুনা ফুঙ্গাদা মৈ য়াইরি, মনেম্না মনাক্তা এঞ্জাং মনবীরম্বদৈ পুখ্রিদা চামথোকপীরক্লগে হায়রল্লগা থোকখিবদগী চাকশঙদুদা মকুবোক্লা মমৌ অনৌবীদুগদং ঙাইহৌরে। মৌ অনৌবীদু মকুবোক্কদং লৈহৌবদুদা মথন্তা ইকায়জবনা মমায় জিং-জিং বং-বং ঈচপ কানা ঙাঙখৎলে, হুমাঙ কাংলে। অদুদৈ তৌফম খঙদ্রদুনা মফম মরাঙ খঙদনা তাপ হেক পায়শিল্লুবদা মখূৎতু শামনখ্রদুনা 'ইশ্‌শ্‌... ইক্‌ক্‌...' হায়দুনা মখূৎ পোকপগী চাকপদু থৌপম খঙদনা খাঙলে। মাগী মতৌদু উবদা ফুঙ্গদা ফন্নিবা মকুবোক্কুনা- 'এএ নখূৎতু পোক্লদি না পায়য়ুনে' হায়না হেক হায়রকই। মকুবোক্কী হায়রকপদু তাবদা মৌদু মীৎকুপ অমা 'নীদং তিঙক-মায়ঙক্লনা লৈরল্লগা ইকায়-ইকায় য়াম্না হঙ্গোইজনা মকুবোক্লা ফন্নিবদোমদা চঙশিল্লক্লগা মকুবোক্কী মনাদুদা মখূৎনা তাপ হেক পায়ররে। অদুদদি মকুবোক্কুনা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরদুনা তপ্পা হায়রকই- 'নঙগী ননাদুদসু য়াইদা।'

**মতমসিগী নুংশি ৱারী অমা!!**

– নঙদি কৈদৌরে ভাই! নকোয়ও নরাংও নশম-ননাকা ইফা ফারদনা! অনা-অয়েক্কা য়াওব্রাও, কৈদৌরে?

– অশ! খঙদ্রেদা ভাই, তৌদৌসে লুখ্রে, তুম্বা-চাবকা অমত্তা চঙদ্রে, ইশাসি হৈনীংবা কৈম পোক্ত্রে...।

– হেরা কৈগীনো 'দুদে ভাই, নঙবু খরনি মমাঙদদি নহাক্লা পামজনা শেন্নরকখিবা হিরোইন্দুগা য়ানরে নুংশিনরে হায়দনা য়াম্না হরাউনা লৈহৌদাইনে?

– অদুনিনে ভাই, মাগা ঐগা নুংশিনববুদি পৎ তৎখৈ নুংশিনরবনিনে, ...অদুদা হৌজিকসে মাগা ঐগা নুংশিনবসি ইমা বাবাহোইনা পুরা থিংজিনবীরে, বাবাগী কারদা থাউ হাপ্নবা পৈশা পীয়ুসু য়াদ্রে, অতৈ অতৈ খরচকী পৈশা খরা হেন্না পীয়ু হায়বসু অমত্তা য়াদ্রে, ঙসিমক মাগী বার্থ দেনি, করিনো প্রজেন্ট অমদি লৈদবা য়াদবনি পৈশাদি হৌজিকফাও অমত্তা লৈত্রি।

**তোয়না হায়মল্লক্লবা ৱা!!**

লৈশা অরিবী ১ – অশ! ঐখোয়গী লাইবকসি করি লাইবক হায়দোইনো খঙদ্রে, য়ূম পানবকায়দু ফংলরোইদমাল্লে, কনামত্তনা ঙসিফাও লুহোংলসি কায়না হায়বীরদে ৱানি?

লৈশা অরিবী ২ – অদুবু ৱানেয়েদনা, ঐখোয়দদি লুহোংলসি লুহোংলো হায়দনা গ্রি গ্রি তক্লিসি অঙকপনি, য়াদবৈ তৌনি।

লৈশা অরিবী ১ – ই ঈ! নঙোন্দদি কনানা তকপীররিবা!

লৈশা অরিবী ২ – ঐখোয়' ইমাগা বাবাগনা।

# শৈরেং

## মহৌশানা ৱারকপা

*– কে বি ইঙারেম্বা, লংদুম*

মীহৌ চাউবা মীওইবা,
উমং কয়া মাঙহনবা,
লৈবাক লৈহাউ মাঙহনবা
চীং-পাৎ-তুরেল মোৎশিনবা
হে মীওইবা ফত্তেদা...।

লৌবুক-লম্মাং, চীংয়া-তময়া
উমং-ৱামং, পাৎ-তুরেল
মীওইবা নখোয়না মাঙহল্লি,
উমং ৱামং কোকথোকপনা
মহৌশাগী খোঙচৎ কায়রেদো...।

মতম চাদনা নোং চুরে
অঈং-অশা ওন্নরে
খঙউ নখোয় খঙউকো
চহী কয়া চঙগনি
মহৌশাগী শক্তম কনবদা...।

মহৌশা ঐনা পীরম্বনি
ফজরবা হৈকোল- লৈকোল
অশং-অমান্না থল্লবা লৌবুক লম্মাং
ঙসিদি ওইররে লৈকংলা
পূম্নমক মীওইবনা শিনবনি...।

মীওই কয়া হাৎখ্রে ঈচাউনা
মীওই কয়া ৱানরে ঈকংনা
মীওই কয়ানা লৈনুংদা ফুমখ্রে
লাক্লনি তপ্পা তপ্পা অশি-অনা
মায়োক্লরনি লাইওং খঙদবা লায়নাশিং...।

## অঙাওবীনি মহাক্তু

*– য়েংখোম চনু কুন্দালৈ*

মোমোন নোকপা মায়থোঙগী
অমকপা লৈত্রবা মীৎয়েংনি
অচুম্বনা নীতিনি শিক্ষানি
হিংমিন্নবনা পুন্সিগী ধর্ম্মনি।

মনুং মপাল নাইবা তাইবঙসিদা
অচুম্বা ৱাখল, মান্নবা মীৎয়েং
মশাগী ওইজবা থাদোক্লবী
কল্লক মীহৌবা লৈত্রবী
য়াঙ্গংলবী ৱাখল চোইরবীদু
মীমান্নদ্রবী অঙাওবীনি মহাক্তু।

অকনবনা অশোনবু তুহৎপীরবা
ঙসিগী সমাজকী চৎনবী
' শেলনা খুদুম চনখ্রে অচুম্বা'
শোল্লি মচিন্দা মুরুম মুরুম,
চাউখৎলা ঙসিগী সমাজসিনা
ইম্হোকপীরি অঙাওবীনি মহাক্তু।

## শাদি জঙ্গলদা লৈগদবনি

*– রাজকুমারি মীনা*

মীদি মানবা মীদি নত্তবা
মীগী ফিজোলদি শেৎপা
মীনা চাবসু চাবা
মীগী মরক্তসু লৈবা।
মখোঙ মখূৎসু মীগুম্না পানবা
মকোকসু মীগুম্না পানবা য়েংবদা
মীদি মানবা মীদি নত্তবা
ৱাখলদি শাগুম্না খনবা।
মীনুংশি য়াওদবা লোনচৎ চৎপা
মশাগীদা খনবা শা
মী ফাওবা চাগে হায়বা শা মখল
অসিগুম্বা শা মখলশিং অসিনা।
সমাজদা অকায়বা কয়া পীরি
শাদি শানি, মী ওনবা খক ঙম্লোয়
মখোয়দুদি মীরক্তা লৈহল্লোয়সি
শাদি জঙ্গলদা লৈগদবনি।

## খঙলমদবা

*– কামিনিকুমার*

লৈ মরুপ অমা
থবক তৌবা মীয়ামগী
মতেং পাঙবা মীওইবগী
ফৈ মবুক মপাও
নীংশিংলকই মাবু
লৈর কান্দা অরুবা থবক
শীজিন্নৈ মাবু
মতাং চানা
ঙল্লকই থবক
মায় ওই ময়ামগী।

য়াওদে মশাদা চাউথোকচবা
নীংশিংজদে মশানা
থাজদে মানা নোংমতা
তৌরুবা থবক্তুগী
লৈ মীচম অমগুম
মীয়াম মরক্তা।

তিংহন্দে শেল শিকি অমা
মতেং পাঙবদা মীগী
য়াবী অচৌবনা
তাবী মাগী ৱা
ওইরমাল্লে মাগী পুকচেল শেংবনা।

থোকপসি থাজদবা ঙাক্তা
ওইরমাল্লে ঐখোয়গী লৈবাক্কী
থোক্লে অঙকপা থৌদোক
তখেল্লম্বম বীনাখোয় ইমুংদা
চঙলুই বার্তন তৌবা
মচননুপী লুহোংবগী
শক খঙলমদ্রে মাবু
বীনাখোয় ইমুংনা।

থোক্লকপা নুমিৎনা নোংচুপ্তগী
চপ মান্নখ্রে থৌদোকসি
মরুপ্তুগী মফমদা
তোকখ্রে মীওইবগী মতেং পাঙবা
য়াওখিদ্রে মীয়ামগী থবক
ওনখ্রে অনৌবা পুন্সি অমদা
ঐগী মবুক ফবা মরুপতো।

## লমগী শানা য়ূম খঙলে

*– তবানু খুরাইজম*

লমগী শানা য়ূম খঙলে
য়ূমগী শানা য়ূম কাউরে
লৈতান্না লৈথোক্লে লৈচিকপদা
কাউই য়ূমদা ইঞ্জিনগনি।

লৈকাই ৱাথোক ওইহল্লি
ৱারক হৈবা মীয়াম্নি
অনিং-অপাম পাঙথোক্লে
লৈশেম য়াথং লৌনদে
ৱায়েল চৈরাক কাউনখরে।

খৎনৈ চৈনৈ য়ূম্বান্নবা
চফু উয়ান্তসু মখৎনৈ
হু হঞ্জিননৈ নুংশিনৈ চান্নে
শীঙেল শীংদা চল্লবী
শাগৈ ওল্লে কাউথোক্লে
লৈরাং মতৌ তমদুনা
মায়থোঙ মকা লাম্নরি
থম্মোয় ফীথুপ নাইবনা
চৎনবী ওইরক্লে মতমগী।

নুপা নুপী খঙনদরে
ইকায়-হঙ্গোই লাপ্পরে
থক-খা খঙনদরে
ব্যবহার মচেৎ লৈনরক্ত্রে
'সিবু মীনি হায়খিদরো
লমগী শানা য়ূম খঙলে
হঞ্জিন্নি কাউরে য়ূমদা মীনা
ইরাংগী জগোয় খুথেক্তা।

## অসিবু করিনো

*– খাইদেম ইন্দিরা*

পুন্সি হায়বসি ফাগীনি
দুনিয়াসে থোক্কীনি
সংসারসে ড্রামানি
সমাজ হায়বসি তাৎনি
মীওইবা খুদিংমক অঙাওবনি
পুন্সি ঙকইকো হা-হা-হা।

অসিরনে পুন্সি
মশীং থিঙমদ্রবা থৌদোক
ৱারী কয়াতনা শেম্বা।

অসিরনে সংসার
অরেম্বনি ময়ানি
মীহৌবা মীনম্বা ওইদবগী তুংনফম।

অসিরনে তাইবঙপান
থোক্কীগী থোক্কী ঙাক্তা।

অসিরনে সমাজ
মশীং থিঙমদ্রবা
তাৎ কয়া কয়াতনা ওইবা।

অসিরনে মীওইবা
অঙাওবগী অঙাওবা ঙক্তা।

অসিরনে পুন্সি
অশিবগী মনাক য়ৌদ্রিঙৈ।